# হীনা সিধুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি, ইন্দিয়ানা অপূনবা মেদল ৭ লৌদুনা হল্লকখ্রে



ন্যু দেল্লি, মে ০৭ :

হীনা সিধুনা চেক রিপব্লিক্কী প্লেজেন্দা চথুখিবা ৪৮ শুবা গ্রান্দ প্রী ওফ লিবরেসন ইন্টরনেসনল শুটিং কম্পিটিসনগী নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা অপূনবা মেদল তরেৎ ফংদুনা হল্লকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী অরোইবা নুমিৎতা নুপী ৮ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ফাইনেলদা হীনানা ২১৮.৮ কাপ্পুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। ইভেন্ট অসিদা গ্রীক্কী শুটর অন্না কোরাকাকিনা গোল্ড মেদল লৌখি। অন্না কোরাকাকিনা রিও গেমসতা মিটর ২৫ গী পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল অমদি মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

অন্নানা ২৪৬.৩ কাপ্পুনা য়েলো মেদল ফংখি অদুগা জর্মনিগী ইনখৎলক্লিবা ষ্টার অমদি মশাগী চহী ২১ শুরবী মিটচেল ষ্কেরিজনা ২৩৭.৮ কাপ্পুনা শিলভর মেদল লৌখি।

ইন্দিয়ানা চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড মেদল অমা, শিলভর মেদল অনী অমদি ব্রোঞ্জ মেদল মরি পূন্না মেদল তরেৎ ফংদুনা হল্লকখি।

থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা জর্মনগী মুনিক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসন (আই এস এস এফ) ৱর্ল্ড কপ ফোর রাইফল এন্দ পিষ্টোলদা ইন্দিয়াগী স্কাদ অসিমক্না চেম্পিয়নশিপ অসিদা পীখিবা পার্ফোমেন্স অসিমক উৎলুদৌরি।

নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শ্রী নিভেথা পরামানন্থমসু ক্বালিফাই ওইখি অদুবু হীনাগী হেক মতুংদা মরিশুবা পোজিসন তাহৌখি। মহাক্না ১৯৮.৭ কাপ্পুনা মরিশুবা পোজিসন তাখিবনি।

ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফায়রদা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈখিবা শ্রী নিভেথানা ফাইনেলদা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈহৌখি।

নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা ইন্দিয়াগী শুটর পুজা গাটকরনা মরিশুবা পোজিসন তাখি। নুপাগী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোলদা গুরপ্রীট সিংহনা তরুকশুবা পোজিসন তাখি। ইভেন্ট অসিদা জর্মনিগী ওলেম্পিক চেম্পিয়ন খৃষ্টিয়ান রেটসনা গোল্ড মেদল লৌখি। নুপাগী মিটর ৫০ গী রাইফল থ্রি পোজিসনগী ফাইনেলদা চেইন সিংহনা তরেৎশুবা পোজিসন তাখি।

হান্নগী ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট গগন নরংনা নুপাগী মিটর ৫০ গী রাইফল প্রোন ইভেন্টতা মরিশুবা পোজিসন তাখি। গগন নরংনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা অহানবা ওইনা মহাক্কী শুটিং একাদেমি গন ফোর গ্লোরিদগী শরুক য়াখিবনি। ইভেন্ট অসিদা লন্নাই ওইনা অচংবা শেনফম পুথোক্লগা শরুক য়াবগী অয়াবসু পীরি। অদুগা ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা সুসিল গালেনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী মিটর ২৫ গী ষ্টেন্দার্দ পিষ্টোল টিমদা ইন্দিয়াগী নুপা টিমনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখি। ইভেন্ট অদুদা নিরজ কুমারনা গোল্ড, হরপ্রীট সিংহনা শিলভর অমদি দীপক শর্ম্মনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

ভেটরান ৱিমেন'স রাইফল শুটর টেজাস্বিনি সৱন্টনা মিটর ৫০ গী রাইফল প্রোন ইভেন্টতা শিলভর মেদল লৌখি অদুগা পেম্বা তমাঙনা নুপাগী মিষ্টর ২৫ গী সেন্তর ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

পনবা য়াই, চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহৌবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০ গী ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টতা অনমোল জৈইননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা হঙ্গেরিগী পিটর সিদিনা ২৫২.২ (৬২৭.৯) কাপ্পুনা অহানবা, ওষ্ট্রেলিয়াগী দেন কেভিন সাম্পসন্না ২৪৮.৬ (৬২৫.৭) কাপ্পুনা অনীশুবা, জর্মনিগী মেক্সিমিলিয়ান দালিঞ্জরনা ২২৭.৩ (৬২৫.১) কাপ্পুনা অহুমশুবা তাখি।

ইন্দিয়াগী দীপক কুমার (৬২৩.২) না ১৬ শুবা, রবি কুমার (৬২২.০) না ২১ শুবা, গগন নরং (৬২১.৫) না ২৭ শুবা, অখিল সিওরান (৬২০.৪) না ৩৩শুবা, সৈতেন্দর সিংহ (৬২০.২) না ৩৪ শুবা, নিখিল কেসপ (৬১১.৯) না ৭৫ শুবা, বিকাস লম্বা (৬০৯.৯) না ৮৪ শুবা, অশ্বানি ভাতি (৬০৩.৪) না ১০২ শুবা, শারদুল শান্দিলিয়া (৫৯৪.৩) না ১১১ শুবা, গৌরভ সিংহ (৫৯৪.২) না ১১২ শুবা অমসুং শিভদেজ সাৱন্ট (৫৯২.৭) না ১১৫ শুবা পোজিসন তাখি।

# মোহম্মদ অনাসনা ইন্দিয়ন গ্রান্দ প্রীগী মিটর ১০০ অমসুং ৪০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেদল লৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, মে ০৭ :

মোহম্মদ অনাসনা মফম অসিগী নেটাজি ইনষ্টিট্যুট ওফ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন গ্রান্দ প্রীগী নোংমাইজিং নুমিৎতা চথুখিবা নুপাগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা ৪৫.৮৯ সেকেন্দ য়াংনা চেন্দুনা অরোকিয়া রজিবপু তুংওইনরম্লগা গোল্ড মেদল লৌখি।

হন্দক্তা চাইনিজ টাইপৈদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গ্রান্দ প্রীগী অহুমশুবা লেগতা অনানা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স পীদুনা ৪৫.৬৯ সেকেন্দ য়াংনা চেন্দুনা মায় পাকখিবনি অদুবু ঙসিগী পার্ফোমেন্স অসিদা সেকেন্দ ২০ তাথনা চেনখি।

নুপাগী জেল্লিন থ্রোদা দেবেন্দর সিংহনা মিটর ৮৪.৫৭ শান্না লংদুনা মায় পাকখি। মহাক্কী পার্ফোমেন্স অসি ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফিকেসন মার্ক মিটর ৮৩ লাম্হোক্লা চৎখি।

নুপীগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা এম আর পুনবামানা দেবশ্রী মজুমদারবু নমহৎলম্লগা গোল্ড মেদল লৌখি। এম আর পুবামানা ৫৩.৪৮ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, দেবশ্রী মজুমদারনা ৫৪.০৮ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমদি সরিতা বেন গয়ানা ৫৪.২০ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা মোহম্মদ সদাথনা ১০.৮৭ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, আর অনেসনা ১০.৯৫ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমদি সরোজ কুমার জেনা ১২.৩১ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।



মিটর ৪০০ গী লমজেলদা মোহম্মদ অনাসনা ৪৫.৮৯ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, অরোকিয়া রজিবনা ৪৬.৮৫ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমদি সচিন রোবিনা ৪৭.৩৮ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মিটর ৮০০ গী লমজেলদা অজয় কুমার সরোজনা ১:৪৯.৭১ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, সাজিশ জোসেফনা ১:৫১.৩৩ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমদি আনন্দ কুমারনা ১:৫২.১৪ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মিটর ৫০০০ গী লমজেলদা জি লক্ষমানন্না ১৪:১৫.৬৪ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, এম দি য়ুনুসনা ১৪:২৯.৮৬ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমদি কালিদাস হিরাবেনা ১৪:৩৮.০৩ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ত্রিপল জম্পতা অরপিন্দর সিংহনা মিটর ১৬.৩৫ চোঙদুনা অহানবা, এ ভিরাকেস বাবুনা মিটর ১৫.৯৫ চোঙদুনা অনীশুবা অমদি দীপানকরনা মিটর ১৫.২৪ চোঙদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

সোট পুটতা ওমপ্রকাস সিনহানা মিটর ১৯.১৪ শান্ন লংদুনা অহানবা, জাসদিপ সিংহানা মিটর ১৮.৭৮ সেকেন্দ শান্না লংদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

জেল্লিন থ্রোদা দেবেন্দর সিংহনা মিটর ৮৪.৫৭ শান্না লংদুনা অহানবা, সমরজিৎ সিংহনা মিটর ৭৬.৮৫ শান্না লংদুনা অনীশুবা অমদি রাজেন্দর সিংহনা মিটর ৭৬.৩০ শান্না লংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা মার্লিন জোসেফনা ১০.৮৮ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, রিনা জোর্জনা ১১.৯৯ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমদি মানবির কোরনা ১২.৪৮ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মিটর ৫০০০ গী লমজেলদা এল সুরিয়ানা ১৬:২১.০৩ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা পোজিসন তাখি। মিটর ১০০ গী হর্দলসতা পুর্নিমা হেমব্রমনা ১৩.৮৫ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, কে ভি সজিথানা ১৭.৩৭ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমদি লিকসি জোসেফনা ১৪.৮৪ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ত্রিপল জম্পতা এম ভি সিনানা মিটর ১২.৯১ চোঙদুনা অহানবা, জি কার্টিকানা মিটর ১২.৬৮ চোঙদুনা অনীশুবা অমদি নিহারিকা বাশিষ্টনা মিটর ১২.৫৩ চোঙদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।


LOAN AVAILABLE

1. VEHICLE LOAN (2WHEELER/3WHEELER/4WHEELER ETC….)
2. BUSINESS LOAN [RS.10,000 TO RS.10 LAKHS (12% P.A)]
3. SERVICE LOAN
4. PENSION LOAN (1.5%,2%,2.5%&3% P.M)
5. AGRICULTURE EQUIPMENT, FISH FARM EQUIPMENT.
6. ELECTRONICS LOAN(T.V,LAPTOP,XEROX MACHINE,WASHING MACHINE,ETC...)
7. MACHINERY LOAN(FLEX MACHINE,IRON SOLDERING MACHINE,WATER PUMP...)

PLEASE CONTACT:- L.G. MOTORS
& DEVELOPMENT ORGANISATION FOR SOCIO-ECONOMIC IN RURAL AREA(DOFSIRA)
OFFICE HOUR: 10.00AM-04:00PM KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,KAKCHING OPP. P.S,THOUBAL OKRAM, SAMUROU NEAR MACHU HALL,NAMBOL LAMBAN,MOIRANG PATLOU.

HL-B/3812/16/4-15 june


# রেষ্টলর সন্দিপ, হরদীপ, সট্টলর এন সিকি রেদ্দি, বি সুমিথ রেদ্দিবু অর্জুনা এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, মে ০৭ :

ফ্রী ষ্টাইল রেষ্টলর সন্দিপ সিংহ টোমার অমসুং গ্রেকো-রোমান গ্রেপ্পলর হরদীপ সিংহবু লেমজনিংঙাই ওইরবা অর্জুন এৱার্দকীদমক রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (দব্লিয়ু এফ আই) না রিকমেন্দ তৌখ্রে।

অমরোমদা বেদমিন্টনগী দবলস স্পিসিয়েলিষ্ট এন সিকি রেদ্দি অমদি বি সুমিথ রেদ্দিবু চহী অসিগী অর্জুনা এৱার্দকীদমক বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (বি এ আই) না রিকমেন্দ তৌখ্রে।

মমাঙ চহীদা সন্দিপনা কম্মনৱেলথ অমদি নেসনল চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদলশিং লৌখি। অমরোমদা হরদীপনা এসিয়ন মীটতা শিলভর মেদল অমদি কম্মনৱেলথ চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল লৌখি। অদুম ওইনমক রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা নুপীগী কেটাগোরিগী নোমিনেসন অমত্তা থাদনবা ৱারেপ লৌখি।

দব্লিয়ু এফ আইগী সেক্রেটরি বিনোদ টোমারনা হায়খি, ঐখোয়না নুপীগী কেটাগোরিগী নোমিনেসন অমত্তা থাদ্রে অদুবু মখোয় মশামক্না চংনবী নিয়মগী মতুং ইন্না দাইরেক্ট ওইনা এপ্লাই তৌবদি য়াগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

লেমজনীংঙাই ওইরবা দোর্নাচার্য এৱার্দকীদমক নেসনল কোচ কুলদিপ মালিকপু নোমিনেট তৌখি। রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ধ্যানচান্দ এৱার্দকীদমক মীওই মরিসু নোমিনেট তৌখি। মখোয়শিং অদুদি ছটিশকুমার, জয় প্রকাস, অনিল কুমার অমদি আর সী সরংনি।

অমরোমদা বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (বি এ আই) না দবলস স্পিসিয়েলিষ্ট এন সিকি রেদ্দি অমদি বি সুমিথ রেদ্দিবু চহী অসিগী অর্জুন এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখি।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা পুন্সি লৈপুন শেমখিবা সিকি অমদি সুমিথ রেদ্দিনা ইন্দিয়াগীদমক মতিং থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা মালেমগী মীয়ামদা খঙহনখিবদা নত্তনা নেসনল টিমগী রিগুলর মেম্বরসু ওইরিবনি।

বাইগী ওফিসল অমনা হায়খি, ঐখোয়না সিকি অমদি সুমিথপু চহী অসিগী অর্জুন এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌরে। মখোয় অনীনা লৈবাক অসিগীদমক মতিং থোক্লা শান্নরি। মখোয়না এৱার্দ অসি ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ঐখোয়গী সট্টলরশিংনা চাং নাইনা এৱার্দ অসি ফংদুনা লাক্লি।

মমাঙগী চহীদা পি ভি সিন্ধুনা রজিব গান্ধী খেল রত্না এৱার্দ ফংখি। মরম অদুনা হন্দক্কী অসিদসু শুংশোয় শোয়দনা এৱার্দ ফংগনি হায়বগী থাজবা চাউনা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

সিকিনা হৌখিবা চহী অমা অনী অসিদা প্রানব জেরি চোপ্রাগা পাদুনা মিক্স দবলস কম্পিটিসন্দা মশক থোকপা পার্ফোমন্স উৎতুনা লাক্লি। মখোয়না চহী অসিগী জান্যুৱারী থাদা লক্ষনৌদা পাঙথোকখিবা সহিদ মোদি ইন্টরনেসনল গ্রান্দ প্রী গোল্ডগী টাইটল লৌখিবনি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা সিকিনা অশ্বনি পোনাপাগা জুরা শেমদুনা লাকখি অমদি লক্ষনৌদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টতা ৱিমেন'স দবলস ইভেন্টতা শিলভর মেদল ফংখি।

সুমিথ অমদি মহাক্কী পার্টনর মানু আত্রিনা রিও ওলেম্পিক গেমসকী ইন্দিয়াগী মেন দবলসতা অহানবা ওইনা ক্বালিফাই ওইবা ঙম্বসু ওইখিবনি। সুমিথনা মমাঙ চহীদা মানু আত্রিগা জুরা শেমদুনা কনাদা ওপনগী টাইটল লৌখি অমদি সহিদ মোদি ইন্টরনেসনলদনা অশ্বনিগা পাদুনা মিক্স দবলসকী রন্নর্স-অপ তাখি।






Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College, Airport Road, Imphal West,Manipur ( 9 + ) 9435246580
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits include cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Ragistration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.

HL-B/3831/25/04-25/5








Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com